অথুবদা কম্পেন্সেসন পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : কোকোমি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : কোকোমি ফার্মরস ৱিংগী কো-কনভিনর এল কিরননা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা প্রেস মীট অমদা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা কম্পেন্সেসন পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈদা চথুরকখিবা লান্দা অসিনা লমদমসিগী মীপুম খূদিংমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা-চৈথেং পীরি। লান অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবসি ময়ূম-মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবা মীয়াম, ঙাইহাক লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অৱা মায়োক্নরিবা খুঙ্গংশিং লোয়ননা শুরি-নোল্লিবা লৌমী-শিন্মীশিংনি। লান অসিনা মরম ওইরগা চহী অমগী চানবা চিঞ্জাক পুথোক্লিবা লৌফম লৌ পানবা ঙমদ্রবা লৌমীশিং অসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা-চৈথেং পীরি। হীরম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌ পানবা ঙমহৌদবা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না লুপা ক্রোর ৩৮.৬কী শেনফম কাইথোকপীরে হায়বদা লৌমীশিং নুংঙাইজখি।

লৌ পানবা ঙমদ্রবসু মসিগী শেনফম অসিনা ফৌ ৱানশিন্দুনা অমদি লৌসাল ৱান্দুনা পীরগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। অদুবু পোইনু থাগী ফৌ হোংনা তাইবা মতমসিদা পীবীরবদি ফগনি খল্লম্বদু ৱাকচিংথা লোইশিল্লক্কদৌরবা অসি ফাওবা পীবগী ফীভম উদ্রি। লৌমীশিংদি মসি ফংবা য়াবা লৌফমগী চপ চাবা দোক্যুমেন্টশিং মতম চানা দিপার্টমেন্টনা লৌখৎপীখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা পীদনা লৈরিবসি করিগীনো হায়না মহাক্না হংখি।

সী এম মক্না অথুবদা পীরগনি, এগ্রি মিনিষ্টরনসু ৱাফম অসিমক পন্দুনা লৌমীশিংগী অৱাবসি কোক্নবা অথুবদা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না কয়ারক হায়বীখ্রে। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লক্তবসিনা লৌমীশিংদা থাজবা মাঙলে। লৈঙাক অসিনা এগ্রিকলচরগী লমসিদা ঙসি ফাওবদা নীংথিনা মীৎয়েং চঙদবা, মতম চানা মরূ-মরাং পীদবা, হার পীদবা, হীরম খূদিংমক্তা নিয়ম চুম্না অমদি মতম চানা থবক তৌদবনা ঙসিদি লৈবাক অসি খম থেংনা ৱারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মতম শাংনদগী লৌমীশিংগী পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাং স্কিম/প্রোগ্রাম মপুং ফানা পায়খৎপা উদ্রি। পুন্নমকশিং অসি লৌমী লূপশিংনা লিশাং শিংনা লাউদুনা লাক্লবসু তবীদনা লাক্লিবনি।

অদুবু লৌমীশিংগী ৱাবগী পনখৈনা খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লাক্লবদি মসিগী তেকচাক কনানা পুগনি হায়বসি খঙদবনি। হৌজিক মীয়াম অসুক্কী মতিক ৱানরি। মসিদা অচুম্বা থবক খরা পায়খৎনবা হোৎনবীয়ু। মসি পীদ্রগদি ৱারবা লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী মথক্তা পেন্দবগী খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈত-লায়রা লায়েংবা ঙমদবশিং পাউ পীবীরকউ লায়েংজগে : এল দেবেন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : লৈত-লায়রবা, লায়েংবা ঙমদবশিং জেনিমস হোস্পিটালদা পাউ পীবীরকউ লায়েংজগে হায়না জেনিমসকী দিরেক্তর ডা. এল দেবেননা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাঙুগী প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা দেলিভরিগী ডোক্তর লৈতবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তগী ৱানা খাঙদুনা লৈরকখিবী অমা সোসল মীদিয়াদা পাউ শন্দোরকপদগী জেনিমসতা পুখৎলক্তুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা অঙাং উনখ্রবী ওইনাম নিঙোল ৱারেপ্পম ওংবী জেনিকা (২১) মপুরোইবা ৱারেপ্পম হেম্বগী মশাগী ফীভম ডোক্তরনা য়েংশিনখি।

ঙসি অনাবা য়েংশিনখিবা ডা. এল দেবেননা মখা তারদুনা হায়খিবদা, ৱাঙুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা য়াম্না ৱানা খাঙদুনা লৈবগী পাউ অসি সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা তারকপদগী জেনিমসতা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ থৌরাংগী মখাদা পায়খৎলকপা স্কিমশিংদগী মীরোনবী অসিবু মতেং পাঙবা য়াগনি হায়না খনবদগী টেলিফোন্দা পাউ ফাওনরবা মতুংদা এম্বুলেন্স থাদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ খরা হেনবা অদুৱাইদা লৌখৎলুরগা হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা বেদ নম্বর ৩দা থমখি। হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ৱাঙু প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা পুখৎলগসু মরী লৈনবা এক্সপার্ট ডোক্তর লৈতবনা নুমিৎ কয়ানি অৱাবা খাঙদুনা লৈরমখি।

নুপী অদুগী ফীভম ডোক্তরশিংনা কুপ্না য়েংলবা মতুংদা তঙাইফদনা ওপরেসন তৌদুনা মচানুপা অমা ফংজখি। হৌজিক ফাওবদি অশোয়-অঙাম য়াওদনা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফ নর্সনচিংবনা কুপ্না শেন্নরি। অমরোমদা, পদ্ম মোদি ক্যেরগী মায়কৈদগীসু বেল্টনচিংবা মতেং পীবীরে।

থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা জেনিমসকী মায়কৈদগী ডা. দেবেননা মখা তানা হায়খিবদা, লমদমসিগী অৱা-অনা তারবা, লায়েংবা ঙমদ্রবশিংনা জেনিমসতা তঙাইফদনা পাউ পীবীরকউ। পাউ হেক ফংবগা শোয়দনা অঙন্বা মতেং পাঙজগনি। মসিদসু নত্তনা চীফ মিনিষ্টরগী স্কিমনচিংবা লৈরিবশিং অসিনা পীরিবা কান্নবশিংসু ফংহন্নবা হোৎনগনি। মীয়ামগী থৌগল তৌবা মতমদা মীওইবনিনা অশোয়-অঙাম, খুদোংচাদবা থোক্লবসু মীয়াম্না ঙাকপীয়ু, মতেং পাঙবীয়ু। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেল কার্দ পায়দবশিং লায়েংলোই হায়বদি লৈতে। কার্দ পায়রবসু পায়দ্রবসু কনা লৈজদ্রবশিংদি অদুম্মক লেম্না লায়েংজগনি। হৌজিক অঙাং উনরিবী অসিসু হকশেল কার্দ পায়বা নত্তে। অদুবু পায়নবা হোৎনরগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

লম্ফেল পাৎতা পাৎ অমা শেমগৎনবা হোৎনবা

ইম্ফাল অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মফম খরগী মমিং নীংশিংদুনা শান্নবদা নুংঙাইবা ৱাফম অমা চোংথোরকই। ঐনা লৈরিবা লৈকায়, পোক্নফম খুঙ্গং অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তু তাকয়েল পাৎ হায়না খঙনরকই। ঙসিসু খঙনরি। তাকয়েল কৌবা পাৎতুদি অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী চহী হুম্ফু মরি-মঙাসিদা উবা ফংহৌদে/ফংলক্তে। মদুগী অৱাংদা নম্বুল তুরেল লাল্লগা লম্ফেল-পাৎ হায়বা অচৌবা এরিয়া অমসু লৈ। মফমদুসু পাক চাউরবা লমহাং অমা ওইনদি উহৌই, পাৎ ওইনদি উহৌদে। পাৎথি-কোমথী হায়বা তাই, মমাংঙৈদা পাৎ ওইরম্বগী খুদমদি উহৌই। নিংথম থাগী মতমদা যন-গাড়ী লোইবা লৌমীশিংনা মুশুক-মুবা লৈপাক, লম্ফেল লৈপাক হায়নবদু গাড়ী মপোৎ-মপোৎ হোন্নরম্মী। য়ূমগী য়ূম্ফম নৎত্রগা অকুৎপা মফমদা থোন্ননবা নত্তে। লৈপাক্তু মৈতালগুম শীজিন্নদুনা মৈ থানবনি। মৈ তীকপা/ঈশিং লুম্বনচিংবদা শীজিন্নরকই। কনাগুম্বগী ইমুংদদি চাক থোংবদসু শীজিন্নরম্বা য়াই, ঐখোয় ইমুংদদি শীজিন্নরকখিদে। ঙসিদি লম্ফেল-পাৎ, পাৎ অমা ওইরম্বগী শক্তমদু মাঙখরে। ইম্ফাল সহরগী অচৌবা শরুক অমা ওইখরে। স্কুল-কোলেজ-ওফিস কয়াগী অচৌ-অচৌবা বিল্ডিংশিংনা পীক থনখরে।... 'মতম অমদা লৈখিদ্রবা থৱায়না ৱাতোন-উতোন্দা লাউররনি, পাখংবগী মমিত্তা তূমিৎ-য়ুরান পাইররনি, মতম অদু য়ৌরবদি ইচাশা-ইশুশা য়ূমদই মপান থোক্নু, লৈয়ু নুপী শাদুনা'... অরিবা পুয়া অমদা ইরম্মী- তাকপীরকখি অহলশিংনা। পাউতাকসিদা পল্লিবা পাখংবগী মমিৎ (অনী) অদু তাকয়েলপাৎ অমসুং লম্ফেলপাৎনি তাক্লমখি। ঙসি ওইরিবা মতৌসি মাঙজৌননা তাক্লম্বনি হায়।

ৱাসি ৱাকোই চৎখিদৌরে। 'পাৎ' হায়বা ৱাহৈসিগা মিংচেন্নবা ইম্ফালগী লম খরগী ৱারী তৌনীংলুবনি। কৈশাম্পাৎ, নিত্যাইপাৎ, কংলা-পাৎ, পোরোম্পাৎ, খোঙহাম্পাৎ, অকাম্পাৎ, সঙ্গাইপাৎ... ঐনা খরা খঙজবা চিন্দা-লৈবা খরদুনি। লম্মীৎ-তুম্মীৎ খঙগন্দবশিংগী মনুংদা মকোক-মথং অম'নীগী মনুং চল্লিবা মীনি ঐ। ঐনা খঙদবা কয়া অমসু লৈরমনি। ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা লৈরিবা খরসি নত্তবা কয়া অমসু লৈ হায়। লৌশি-পাৎ, ঙাঙৌ-পাৎ, ৱাইথৌ-পাৎ, খরুং-পাৎনচিংবা খরসিগী মথক্তা মালেমদা মমিং চৎলবা লোক্তাক পাৎ খরসি নত্তনা কাউজল থীবা কোকসিদদি অতৈ অমা য়াওদরে। ঐনা খঙজবা/নীংশিংজবা পাৎ খরগী মিং ৱারেংসিদা পঞ্জনীংলুবা/পঞ্জরুবগী মরমদি অতৈ নত্তে। অদুঙৈ, আ মথায় থায়না মমাংঙৈ, চীংনা কোয়না পল-শাবা তম্পাক লমগী শরুকশিং ঈশিংনা পুমথুম থুল্লম্মী... আইস-এজ হায়না খঙনবা মতমদুগী লোইশিল্লকপদা, অকনবা য়ুহা হাবা অমা থোকপদগী চিংনুংহুৎ হায়না খঙনরিবা লমসিদা ঈফুৎকুম্বা নেচরেল দ্রেনেজ অমা শেল্লকপদগী তপ্না তপ্না চিথরকপা... চীংদা খুনলীংদুনা লৈরম্বা অরিবা মীশিংদুনা তম্পাক্তা কুমথরক্তুনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা নৌনা খুল থোক্লকপা মতমদুদা ঈশিং তুংদুনা লৈরম্বশিংদু পাৎকী শক্লোন পীদুনা মমিং থোক্লকখিবা ওইরমগনি শোয়দনা।

চহী-চা লীশিং কয়া হৌখরে। অহোংবা কয়া লাকখরে। মহৌশাগী শক্তমতমক হোংবা নত্তে, মীওইবগী শক্তমসু মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমনা হোংহল্লকখি লেপ্পুনা। য়ূম্লৈ-কৈরৈ, পুন্সি-শিন্থা হোংলকপগী মতুংইন মীওইবগী ৱাখল খূৎখনসু হোংলকখি। ৱাখলগী অহোংবা লাক্তুনা পুথোক্লকখি- সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি। হৈবা-শিংবা হেনগৎলকপদুনা মীওইবা মশাগী নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমগীদমক মহৌশাগী শক্লোন থুগায়রকখি- অৱাংবা চীং তেমখায়বা, অচৌবা পাৎ ফুনজিনবা, তুরেল ঈচেল নাথৈবা, উমং-ৱামং য়াম্থৎপা... লীশাং শিংনা মীওইবনা তৌরক্লিবা থৌগায়নি। মহৌশাবু মীওইবনা লাইরেম্বীসু কৌনবনা মাগী খুভম থুগায়রুবই চৈরাকসু পীদুনা লাকই মীওইবদা, মীরোল কয়া মথং-মথং।

পাৎনা পাৎ ওইরক্তবা, তুরেলনা তুরেল ওইরক্তবা, উমংনা মশক্তম ওইরম্বা চীংজাও নাপোম্না মরু কোগোক কোক্লকপা... মহৌশাই শক্তম থুগায়রুবই চৈরাক ফংলি ঐখোয়সু লমদমসিদা। মহৌশা অমসুং মীওইবই খূৎশেম অনী তুনা খূৎশম্ননা চৎপা লমদম অদুনি 'মীরৈবাক্তা লাইলৈবাক'। চীং-পাৎ-তুরেল... মাগী মাগী শক্তম অদু কায়হন্দনা খুন্দা লৈতা হিংবা হৈবা মীওইদুনি চাওখৎলবা মীওইবা। চীং-পাৎ-তুরেলগী ফজবনা লাইরৈবাক্লি শোন্নরম্বা মণিপুর ঙসিদি 'নরক' ওনখরে। মরুভুমি (লৈকংলা)গী লমদমনি শোন্নরিবা রাজস্থানগী উদয়পুর (নিংথৌ উদয়না শেমগৎলম্বা সহর) দা লৈরিবা পাৎশিং (পিকোলা-পাৎ, ধেবার-পাৎ, ফতেহ-সাগর-পাৎ, রাজসমন্দ-পাৎ) খূৎশেমগী পাৎ ঙাক্তনি। মহৌশানা শেল্লম্বা পাৎ অমত্তা লৈতে উদয়পুরদা। ঈশিং ফংদবই অৱাবা কোকহন্নবা শেমখিবনি রাজস্থানগী লৈঙাকপশিংনা। ঙসিদি লমকোয়-মী (টুরিষ্ট) শিংগী দেষ্টিনেসন ওইরক্লে। রাজস্থানগী ৱা তোকখ্রগা ইনক নকপা অসাম-মেঘালয়াগী তায়নফম (মতম অমগী অসাম)গী বরা-পানি, উমিয়ম তুরেল থিঙ্গৎলগা শেম্ব 'উমিয়ম-পাৎ'- ইলেক্ট্রিক পাৱর পুথোক্নবা শেমখিবা পাৎতুগী ৱারীসু নীংশিংলুবা কান্ননি। ময়ামদুই ৱারী লীজররোই। ইম্ফাল-সহর অকোয়গী পাৎ ওইখিদ্রবা পাৎ ময়াম, ইচুম-তাফম (নালা) ওনখিদ্রবা তুরেলশিং, সংবানবা চীংশাংনা পোপ্পীগীদমক ঙাঙলৈনবা ওনখ্রবা... য়েংহৈদবা শক্তমশিংসি উরুবদা ৱারেং অসি ইনীংলক্তুনা ইরিবনি। পাৎপু কংফাল ওম্হোকপা, তুরেলবু নালা ওইহনবা, স্কুলবু কৈথেল ওম্হোকপা... লমদমসিগী ওম্হোকপা লৈঙাক-থৌশিল ময়ামসিগী মরক্তা, মান্নদবা তোঙানবা ৱাখল খনবা লৈঙাকপা অমা থোক্লকই। মতম অমদা অচৌবা ঈপাক অমা ওইরম্বা, ঙসিনা সহর ওইরবা 'লম্ফেল-পাৎ', মফমসিদা অচৌবা ৱাটর-বোদি (ঈশিং ঈতুংফম) অমা শেমগৎলনি লাউথোরকই সী এম বিরেননা। ইচম চম্না লাউথোকপা নত্তে। কুকি-মীতৈ-লানগী লাল্লক অদুদা, থবক অসি হৌনবগী খূৎশু-খূৎলায় মেছিন্নচিংবা পুশিল্লকখি। কনাগুম্বা নহা অমনা মণিপুরগী লৈনুংদগী য়ুরেনিয়ম চিংথোক্নবা খূৎলায় থুংলরে হায়বা কম্মেন্টরি অমগা লোয়ননা ভিদিও ভাইরেল ওইহনখিবদু নীংশিংলি।

ঙসিদি লম্পাক ওনখ্রবা লম্ফেলপাৎকী পাৎয়াইদা পুখ্রি তৌবা হৌরল্লে, ৱাটর-বোদি শেম্নবা। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং'খাদা পায়খৎলিবা থবকসি কোলকাতাদা বেজ তৌবা 'রীচ দ্রেজিং লিমিটেদ (Reach Dredging Ltd.) কৌবা কম্পেনি অমদা শীন্নরগা পাঙথোকহনবনি। লুপা ক্রোর কয়া চঙনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টনো? হায়বদুগী আইদিয়াদি লৈতে ঐগী ইফমদা। Development of Warterbody/Reservoir at Lamphelpat হায়না মিংথোনবা প্রোজেক্ট অসি কিলোমিটর অনি মখায়রোম শাংবা, মিটর চনি য়াঙ্খ্রে/চহুমলোম শাংবা, ময়ায়দা মিটর তরামুক লুবা, অচৌবা-অশাংবা পুখ্রি অমা তৌবদুনা মরু ওইবনি। পুখ্রিসিদা ঈশিং ক্যুবিক মিটর মিলিয়ন ১২.৪ চনগনি। হায়বদি ঈশিং লিটর ক্রোর চামা কুনমঙা! প্রোজেক্টসি শেমগৎলিবা লম একর চহুমগী এরিয়াদনি। থবক পায়রিবা কম্পেনিগী ওফিসরশিংনদি হায়- থবক অসি চহী অনীগী মনুংদা লোইনবা পান্দম থল্লি। অদুবু নোংজু-নুংশাগী মখা পোন্না মতম অসি শাংথরকপসু য়াই- পাউদল্লকই।

Reach Dredging Ltd.- থবক পায়রিবা কম্পেনিগগী মমিংসিমক্না তাকই- মখোয়গী থোইদোক হেন্দোকপা স্পেসিয়েলাইজেসন- তুরেল খোংনুংদগী নৎত্রগা অপেৎপা মফম অমদগী লৈখোম-লৈনাং চিংথোকপনি। ক্যুবিক মিটর মিলিয়ন তরানিথোই মখায়রোমদগী চিংথোরকপা লৈখোম কদায়দা হৈদোক্কদগে? হান্নন প্লান তৌহৌদবা মাল্লি। লম-লোন্নন লৈরিবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), ইম্ফালগী অহাংবা কেম্পসতা পাক্তক্না হৈজিনবা উরকখি। এন আই টি, ও বি সী গার্লস হোষ্টেলগা থংননা লৈরিবা শিজ হোস্পিটাল ফেন্সিং ৱাংমদা পৈহৌরিবা লৈখোমদুদি মিটর অহুম ৱাংনা পৈগদবনি হায়হৌই। অদুগুম্না হৌজিক হাংনা লৈরিবা এন আই টি কমপ্লেক্স শীন-থুংনা হৈদোরকপা/পৈশিল্লকপা তারবা- মফমদুদা মতম (চহী) খরদি করিগুম্বা মখলগী কন্সত্রক্সন-ৱার্ক অমত্তা পায়খৎপা য়াররোই। মরমদি, মফমদুদা হৈজিল্লিবা লৈখোমশিংদু ক্লে-সোইলগী লৈখোম নত্তে, হ্যুমস সোইলগী লৈখোমনি। হ্যুমস সোইল হায়বদি নাপী-শীংনাং, পাম্বী মচা-মচাশিং পথু-পুমথরকপশিংদুনা লৈরোন-লৈরোন ননশিন্নরক্লগা শেমখিবা।

অচৌবা লুচিংবা অমগী অচৌবা মঙলান- ৱাখল খন্থবা ৱাৎহৌবনা, থবক অমা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা, অতোপ্পগী অচৌবা মাঙজবা অমা থোকহনবদু তাদৌরিবরা? থৌওং অসি উরুবদা খল্লকপনি।

সী আর পি এফ বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরসতা মার্টিয়স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) ১৪৩-বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট রবিন্দর শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী আর পি এফ বট্টালিয়নগী হেদ ক্বার্টরসতা মার্টিয়স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী নীংতম্বা ঙাক্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়শিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না সী আর পি এফকী থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা লৈবাক নীংবশিং অদুগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা কম্মান্দেন্ট রবিন্দর শর্ম্মনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা অথৌবশিংনা থৱায় থাখিবা থৌদোকশিংগী অশম্বা ৱারোল মীয়ামদা পাউদমখি।

মহাক্না শীংথাখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০০৯গী সেপ্টেম্বর ১৭তা ২০১ বট্টালিয়নগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট মনোরঞ্জননা ছটিসগড়গী দান্টেৱাদাগী মনুংদা লৈবা সিঘনমন্দগু ভিলেজদা মাওইষ্টগী মথক্তা ওপরেসন অমা চথুখি। মদুদা মাওইষ্টশিংগা খূৎ থোক্নবদা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট মনোরঞ্জন য়াওনা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৬ থৱায় থাখি। থৱায় থাখ্রবা পর্সনেলশিং অদুদা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমনা কুমজা ২০০৪গী ফেব্রুৱারী ১৭তা ৪৪ সী আর পি এফকী ক্রুপ অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোইরাং খুনৌদা ইন্সর্জেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চথুখি। সী আর পি এফকী ক্রুপ অদুদা ইন্সর্জেন্টশিংনা এম্বুশ চথুরকখি। ক্রুপ অদুনসু হন্দুনা থৌনা ফনা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা এস সঞ্জিৎ সিংহ সী টি/জি দি সহিৎ ওইখি অমসুং খরনা অশোক-অপন নংখি। অতোপ্পা থৌদোক অমনা কুমজা ১৯৯৭কী সেপ্টেম্বর ২৪দা ১৩৩ বট্টালিয়নগী ক্রুপ অমা ইম্ফালগী মফম অমদা ওপরেসন চথুরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা শকখঙদবা ইন্সর্জেন্টশিংনা এম্বুশ চথুরকখি। সী আর পি এফকী ক্রুপ অদুনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। ইন্সর্জেন্টশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চৎখি। তমথিরবা এনকাউন্টর অদুদা সী টি/জি দি মহম্মদ লতিফ অমসুং অতোপ্পা সী আর পি এফকী জৱান মঙা লৈখিদে। কুমজা ১৯৯৭কী দিসেম্বর ২৭তা থোকখিবা থৌদোক অমদনা সী টি/জি দি ঐচ পূন্সি অমসুং অতোপ্পা মরি লৈখিদে হায়না মহাক্না পাউদমখি।

ৱারী লীবা ফাংনবদা মকোক তারক্তুনা মেদল ফংলক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : থিয়েটর মুভমেন্ট কট্টকনা নেসনল ইন্টিগ্রেসন য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি এন্দ পিছ থ্রু লাইভ মীদিয়া ওফ থিয়েটর, আর্ট এন্দ কলচর হায়বা থীম অসিদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০২৪দা মণিপুরদগী ৱারী লীবা অনীনা মকোক তারকখ্রে হায়রি।

চৎলিবা থা অসিগী ১৬তগী ২৩ ফাওবা ওড়িষাগী কট্টকতা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গুয়েল দ্রামা/দান্স/ভোকেল/মোনো এক্ট/ইন্সত্রুমেন্ট ফেষ্টিভেলনচিংবদা কম্পিটিসন পাঙথোকখি। থিয়েটর ফেষ্টিভেল অদুদা ৱারী লীবা ফাইবোক্কী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা থিয়েটর মুভমেন্টকী জেনরেল সেক্রেটরি জি বি দাস মোহাপত্রনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচর দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (টি দি এ সী দি এ) ৱাবগাই তেরাউরক্তা ৱারী লীবগী আর্টিষ্ট ওইরিবা এম ব্রজমনি অমসুং এম মেঘবু শরুক য়ারনবা ওফিসল লেট্টর অমা থারকখি।

ফেষ্টিভেল অদুদা ৱারী লীবা ওজা এম ব্রজমনি অমদি এম মেঘ অনীগী ৱারী লীবা ফাইবোক অদুনা ভাবোক অমদি জুরিশিংগী পূক্নিং শুক্ষৎপা ঙমখি। লোয়ননা মখোয় অনীদা আর্ট অদুগী চাংদম্নবদা অহানবা মনা পীরকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, ৱারী লীবা হায়রিবা নেরেটিভ আর্ট অসি মণিপুরগী ওইনদি অরিবা আর্ট ফোর্ম অমনি। অদুন্নদি ওইরগা মী অনীনা মতম অমত্তদা পুন্না ৱারী লীবা হায়বা থৌওং অসিদি অনৌবা মওংগী ৱারী লীবা মওং অমনি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০১।২০২৪ ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ১১.৩৩ ফাওবা ৱাকচিংগী ২০নি পাল্লি, মতুংদি ২১ নি পাল্লনি।

মেষ: পাউ নুংঙাইতবা তাবা, ময়েং তাবা অমদি লৌশিং ৱাংলসু নীংবদি থুংগনি। নচাক-নরল ফংই, থবক পাঙগনি, মীয়াম্না থাগৎপী।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃষ: নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু, হোয়া ফবনা মাঙজগনি। য়েক্নবদি হন্থখিনি, মীয়ামগা মুক্নবা লৈরসু কান্নবা খরদি ফংজগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফরি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মিথুন: নুংশা থিবা অমদি চোপ্পা নংদনবা অরুবা থবক্তি লৌশিং চাউবগী পাউতাক লৌরগা পাউউ। ঙসিদি থিবা হুন্বা য়াম্না কনখো।
লৈশা পাখংগী- চিন য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

কর্কট: য়েৎনবা অমদি লৌশিং ৱাৎপা লৈরসু নীংবদি থুংগনি। হকচাং নুংঙাইগনি, পোরম শীনবা থোইনা হৈগনি, ঈকাই খুম্নবীগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: কিবা-চিংনবা পোকপা লৈরসু নিংহন্নগনু, নঙবু ঙম্বীনবা লৈরোই। পল্লম্বা থবক্তা খূৎ থাবা য়ারগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- মতাং চাদ্রসু মরীদি ফরি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: শেল-থুমগী লমদা চাউনা কান্নগনি, অরুবা থবক পাঙবা য়াগনি, পোরম শীনবা হৈগনি। নোল্লুক্না চৎত্রদি মীংচৎ থিগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ /চিনি অঙাঙবা

তুলা: অফবা মরুপ তাঙগনি, য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি খুৰৌ থাংবা লৈগনি। নচাক-নরলদি চাওখৎকনি, ইমুং-মনুং তান্নমিন্নবা ফগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: ওজা-গুরুনা থোইনা চানবী-মখোয়গী পাউতাক লৌরগা থৌ পাঙলদি শাফগনি। নৎত্রদি মরুপ, নরল, ননাই মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

ধনু: নাপল তৌরদি নরল কায়গনি, ফিংলগনা ঈ-তানা শোক্কনি-ঈংথবনা য়াইফগনি। অনিংবা পাঙগনি, লন অমদি মীচঙ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: পূক্নিং লৈতারদি থৌরম শীন্দোকপা হৈগনি, অঙম্বনা চানবীগনি। শেন্দোং তানবা, অকল-অথৌগী থবক্তদি য়াম্না চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- ইকায় খুম্নবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: পেন্দবা অদুবু তৌফম খঙদবা খরদি লৈগনি। নচা-ননাইদি ৱাৎলোই, শীনবা লাঙবা হৈবনা ওইজবদি ফংগনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: নীংবা থোইনা থুংগনি, নরল চাওখৎকনি, অরুবা ৱারেপ লৌবা মতাং চাগনি। পঙথরদি লৌশিং থোক্লোই, ময়েং তারগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংবগী নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

কাংচুপ চীংখোঙদা ওইল দিপো শাবগী থবক লেপকদবনি : ৱাই এফ পি ঐচ আর

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফ পি ঐচ আর)গী সেক্রেটরি টি শদিশকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা কাংচুপ চীংখোঙদা ওইল দিপো শাবগী থবক লেপ্পনবগী আপীল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদনা মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অয়াবগা লোয়ননা কাংচুপ চীংখোঙদা ওইল দিপো অমা হাংননবা হোৎনরক্লিবা অসি মফম অদুগী অকোয়বদা তারিবা খুঞ্জাশিংদা মাঙজৌননা পাউপীরকখিবসু লৈতে, অয়াবা লৌখিবসু লৈতে হায়রি।

ৱাই এফ পি ঐচ আরনা থিগৎলুবদা কুমজা ২০২২গী ওক্তোবর ২৬তা মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা কাংচুপ চীংখোঙগী খারং কোইরেং ভিলেজ অসিগী মনুংদা একর ২.৬০ চাউবা এরিয়া অমা চহী ৩০গী ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদতা লিজ পীথোক্লম্বগী ৱাফম গেজেটতা ফোঙবা থেংনরকখি।

মখা তানা ফোরম অসিনা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা খুল অদুদা লৈরিবা লোকেল ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং নুপীগী লূপনচিংবদা ওইল দিপো শাগৎকদৌরিবা অদুগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিসল নোটিশনচিংবা পীরকখিবা থেংনখিদে। মরম অসিনা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না মফম অদুদা ওইল দিপো শাবা য়ানিংদে, মদুগী ফিরেপ হন্দোকপীয়ু হায়রি।

এম য়ুদা টোক প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)না থা অসিগী ২৯গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা 'সেব দি টাইগর এন্দ মে বি ওলসো দি রুদ্রা বিনা' হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা টোক প্রোগ্রাম অমা জুলোজি দিপার্টমেন্টকী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

টোক প্রোগ্রাম অদুদা হান্নগী আই আই টি দেল্লিগী শক্লাইরবা প্রোফেসর পদ্মশ্রী কিরন সেঠনা মরু ওইবা ৱাঙাংলোয় ওইখি। প্রোফেসর কিরন সেঠ সোসাইটি ফোর দি প্রমোসন ওফ ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল ম্যুজিক এন্দ কলচর অমংস য়ুথ (এস পি আই সী এম এ সী এ ৱাই)গী ফাউন্দর মেম্বরনি। চহী ৭৪ শুরবা প্রোফেসর অসিনা শ্রীনগরদগী কৈন্যকুমারী ফাওবা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১৫দগী ২০২৩গী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা সাইকল থৌদুনা চৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী কম্পোজিৎ হেরিটেজ সেলেব্রেট তৌখি। লোয়ননা সাইকল থৌবা হায়বসিনা হকচাং ফবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবা, নুংশি-নুংশা শেংহনবদা মতেং ওইগনি হায়বা পাউজেল পীবগা লোয়ননা মহাত্মা গান্ধীগী সিম্পল লিভিং এন্দ হায় থিঙ্কিং হায়বা ৱাখল্লোন শন্দোকখি।

এসে অমদি পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এ সুভাশ আই এ এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবালগা খূৎশম্নদুনা মথং থা ফেব্রুৱারী ৭তা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসে কম পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কম্পিটিসন অদু কোলেজ তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইগনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা থৌবাল কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা লাক্তুনা শরুক য়ারবা য়াগনি হায়রি। প্রোগ্রাম অসি জন্যুৱারী ১৫দগী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ শুবা নেসনল রোদ সেফ্টি মন্থ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল খঙনিংবা মহৈরোয়শিংনা এন এস এসকী প্রোগ্রাম ওফিসর থৌবাল কোলেজদা ফেব্রুৱারী ৫ ফাওবগী মমাঙদা রেজিষ্ট্রার তৌরগদবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]